# ইনাক খুন্নবগী ফোর্মুলা (অরানবা অঙ্ক)

– ডা. খুন্দ্রাকপম দেবানন্দা –

এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর, দিপার্টমেন্ট ওফ মেনেজমেন্ট
নোর্থ-ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটি, তুরা কেম্পস, তুরা, মেঘালয়া
Email: devananda.singh@yahoo.com

ময়াম্বু খুরুমজরি। হৌখিবা য়ূমশকৈশশিংদা ঐখোয়না ৱাখল্লোন মখল মরি হায়বদি পোজিটিভ ওইবা ৱাখল্লোন, নেগেটিভ ওইবা ৱাখল্লোন, লমফাং চৎপা ৱাখল্লোন অমসুং ৱাখল্লোন লৈজদবা ৱাখল্লোনগী মরমদা পামিন্নখ্রে। ৱাখল্লোন মরিসিগী মনুংদা অমা নৎত্রগা অমা ঐখোয়দা চেনজৈ অমদি মদুনা ঐখোয়বু থবক তৌননবা নৎত্রগা তৌদনবগী ইথিল পী। অফবা অমদি অচুম্বা ৱাখল্লোন, থবক পাঙথোক্লবগী মওং মরীল নাইবা প্রোসেস অমদি মচা খায়বা পান্দম অসিনচিংবসি য়াওদ্রগদি থবক অমত্তা মায় পাকপা ঙমলোই। ঙসিদি ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী থেংনরিবা অদুগা থোইদোক্লা খনজিল্লুদবা থৌওং অমদা য়ূম্ফম ওইরগা অরানবা অঙ্ক অমা ঐখোয়না হোৎতুনা লাক্লি হায়বসি মীয়ামদা থমজগে। মসি শেনবা-থুম্বাগা মরী লৈনবা শরুকনি অমদি মসিনা ঙসি ঙসিমক অমদি তুংদা করি ওইহল্লকপা য়াবগে হায়বদু য়েংমিন্নরসি।

ঐখোয়গী ইরমদমদা তোলোপ (সেলরি) চাবা লৈঙাক্কী থবক অমা তৌবা হায়বসি মীপূম খুদিংমক্লা পামনৈ। থবক্তু ফংননবগীদমক্তা অচৌ অশাং কয়াদা চৎতুনা ৱানোমনৈ, শেল পীদুনা ৱাচৎনৈ, মরৌ মশিং য়োন্নৈ হায়নসু মী অয়াম্বনা ঙাঙনৈ, হায়নৈ। চুম্বরা চুমদবরা, তৌবরা তৌদবরা, মসিদা নৈনরগুমসি। নৈনগদৌরিবা ৱাফমদি ঐখোয় করিগী থবক্তু তৌগদৌরিবনো হায়বসিনি। মসিগী চপ চাবা মরমদি তোলোপতুনি, শেল ফংননবনি। তোলোপ ফংদবা অচৌবা থবক অমা কনানসু তৌনীংলোই। খুন্নাইগী থৌগল তৌজবনি, ঐদি করিসু পামজদে হায়বসি তাবদা য়াম্না নুংঙাইরবসু অচুম্বদি ওইগন্দে। মসিদি নেচরেল ওইবা লোদা অদুম য়াওজরবনি। ঐগী শেল লৈতনা করম্না ঐনা খুন্নাইগী মতেং পাংগদৌরিবনো? অহানবদা 'ঐ' মথংদা 'ঐগী ইমুং' অদুদগী 'ঐগী লৈকায়' অমদি 'খুন্নাই' হায়বসি মথং মনাও নাইবা পরিংনি। মরমদি খুন্নাই অমা শাগৎপদা হায়রিবশিংসি মথং মনাও নাইনা মথৌ তৌই। মখাগী ৱাখলনা শাবা ৱারী মচাসি নৈনসি অদুগা ৱারীমচাসিদা য়াওরিবা মীওইশিংসিগী ৱাখল্লোনশিংসি য়েংমিন্নসি।

ৱারীমচা ১ : তোম্বা ৱানা হোৎনজদুনা থবক অমা ফংলে। ওফিসর মচা অমগী পোষ্টনি। মশানা লাইরিক খরা হৈজবা, শঙ্গ খরা লৈজবগী ফংজবনি। ইমুং-মনুং পূম্বা হরাওই। লৈকায়গী অমদি অরাপ্পদা লৈবা মরুপ-মপাংশিং (মপাগীসু, মমাগীসু, মশাগীসু) কৌদুনা চাক পীজৈ থবক ফংবদুদা, অদুগা থাগী তোলোপতি ফংদ্রি, থবক কাবা হৌবদা ঙাইরি। তোম্বা মমা-মপানা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মীরমদা লাইরিক তমহল্লকই, তোম্বগী মপা স্কুলগী ওজা ওইরম্বদগী পোথারবা মীওইনি, মমাদি ইমুং-মনুংগী অকূপ-অতাই, ইশ্লোল শুবা অসিনচিংবা তৌজৈ। তোম্বগী মচননুপী অমা বি এ তম্লি। থবকসু তৌজরবনিনা হায়দনা মমা-মপানা তোম্ববু লুহোংবীরে। তোম্বগী লোয়নবী কবিতা লাইরিক হৈবিনী, মপানগী য়ুনিভর্সিটি অমদগী এম এস সী ফর্ষ্ট ক্লাসনি। থবক্তি তৌদ্রি, তৌফম লৈতবদগী। মতমগী তুংইন্না মচানুপা অমা লৈরে। ক্লাস ৱান তম্লে।

তোম্বগী ইমুংদা তোম্বগী তোলোপ লুপা লিশীং ৪৫ (থাদা) অসি নত্তনা শেল অমত্তা লাক্তে। মপাবুংগী পেন্সনদুদি লুহোংবা অমদি অতৈ অতৈগীদমক্তা বন্দোপতা লৈ। পেন্সন বুক বন্দোপ থম্বগী চৎনবীসিসু ইরমদমসিদা য়াম্না তৌনৈ। মখাদা পীজরিবা টেবল অসিদা য়েংবীয়ু। টেবল অসিদা তোম্বগী ইমুংদা লাকপা শেল অমদি চৎখিবা খুদিংমক মচা খায়না উৎলি।

টেবল ১ : তোম্বগী ইমুংগী শেল লাকপা অমদি চৎখিবা (থা অমগী ওইবা লুপাদা)

| সে. নং | শেল লাকফম | শেল মশীং | সে. নং | শেল চৎফম | শেল মশীং |
|---|---|---|---|---|---|
| ১. | তোম্বগী তোলোপ | ৪৫,০০০ | ১ | চেঙ-চাক, এঞ্জাং নাপি | ১৪,০০০ |
| | | | ২ | মচন্নুপী অমদি মচাগী | ৬,০০০ |
| | | | ৩ | গাড়ী থাও (পেট্রোল) | ৩,০০০ |
| | | | ৪ | হীদাক লাংথক | ২,০০০ |
| | | | ৫ | কবিতা অমদি মচন্নুপীগী কেন্নবগী আইটেম | ১,০০০ |
| | | | ৬ | লৈকায়গী পোৎয়েং চায়েং | ২,০০০ |
| | | | ৭ | Mobile Recharge @ Rs. 200 x 8 (মমাদি পায়দে) | ৮০০ |
| | | | ৮ | ক্লাগী শেল (মী ৩ চাই) (মতপ ৩ (নোংমদা) x ৩ x নুমিৎ ৩০ x লুপা ১০ | ২৭০০ |
| | | | ৯ | অঙাংগী অচাপোৎ (লুপা ২০ (নোংমদা) x নুমিৎ ৩০) | ৬০০ |
| | | | ১০ | Insurance Premium | ৪৯০০ |
| | | | ১১ | তোম্বগী থাগী খরচ | ৩,০০০ |
| অপূনবা অরাকপা শেল | | ৪৫,০০০ | | অপূনবা চৎখিবা শেল | ৪০,০০০ |
| | | | | থা অমদা অরেম্বা শেল | ৫,০০০ |

থা অমদা লুপা লিশীং ৪৫ লাকপা তোম্বগী ইমুংদা লুপা লিশীং ৪০ চৎখ্রগা মঙা লেমই। মহাক্কী ইমুং নুংঙাইবা ইমুংনি হায়না লৈকায়না লৌগনি। মসিগী মরমদি অরাকপা শেলদগী চৎখিবা শেলনা হেন্না য়ামদে। মরম অদুনা থা খুদিংগী লুপা লিশীং ৫ লেমদুনা বেঙ্কতা থমজিনজৈ। তোম্বনা থবক তৌগদবা চহী ২০ লৈরি হায়না খল্লসি। অদুদি চহী ২০সিগী মনুংদা মহাক্লা থমজিনগদৌরিবা শেল অসি মখাদা উৎলি (তোলোপ হেনগৎলকপা অমদি পোৎ তাংখৎলকপা অসি মতমগী মতুংইন্না মান্নৈ হায়না লৌরগা)

= থাদা থমজিনবা শেনফম x চহী ২০

= Rs. (5000 x 12 x 20)

= Rs. 12,00,000/- (লুপা লাখ তরানিথোই)

হৌজিক য়েংবীয়ু, লৈকায়না অমদি মশানা নুংঙাইবা ইমুংনি হায়না খনজরিবা তোম্বগী ইমুংসি ঙসিদগীনা চহী কুনগী মতুংদা মহাক্লা তুংশিনজবা শেল লুপা লাখ তরানিথোই + শেন্দোই খরা + Insurance তগী ফংলকপা খরা অসি নত্তনা করিসু ফংনীংঙাই লৈতে। অদুবু হায়রিবা শেনফম অসি চহী কুনগী মতুংদদি করিসু ওইরোই হায়বদি মসিগী ভেল্যু য়াম্না নেমগনি। তোলোপ চাবা তোম্বগী ইমুংদা অসি য়ৌরসিনদি তোলোপ চাদবা, নোংমগী তেক তেক তৌদুনা চাজবা ইমুংদদি করি ওইগনি অমসুং ঙসি করি ওইরি? ইরমদম অসিদা তোলোপ চাবা ইমুং অমদি চাদবা ইমুং, পৈশা তানবা ইমুং অমদি তান্দবা ইমুং অসিনচিংবা কয়া য়াম্না লৈবগে? খল্লুরবদি ৱাখল খনফম খঙলক্লোই, তূম্ফম খঙলক্লোই। অদুদি ঐখোয় হৌজিক মীকপ থোকপা মতম ওইদিব্রা? অমরোমদা ঐদি তোম্বগী নুপীনি, তোলোপ চাবগী নুপীনি হায়দুনা তুমিন্না সুম লৈশিনবগী মহুত্তা, অঙাং খরা লাইরিক তাকপীরগা শেল খরা তানবসু য়াইনা। অহলশিংনা অহল ওইরে অদুগা নহাশিংদি মাগী মাগী হৈজবা শিনফম অমা হেক্তা মাঙদা থমদুনা শেল তানবদা করি ইকায়নীংঙাই লৈবগেনে? মতাংসিদা 'ঐ' করি তৌগদবনো, করি তৌরগা শেল তানগদবনো হায়বসিসু অরুবা অমনি। মথংদা মসিগী মতাংদা মচা খাইনা ইজরক্কে।

মথক্কী নৈনখ্রিবা অসিদগী ঐখোয়না খঙলে মদুদি হৌজিক হৌজিক লুপা লিশীং ৪৫ তোলোপ ফংলিবা ইমুং ফাওবা তুংদা নুংঙাইবা হায়বদু ওইথোক্ত্রে। অদুদি তোলোপ চাহৌদবা, লাইরিকসু কয়া তমহৌদ্রবা, ঐখোয়দি করি তৌগদগে? ঐ লায়ররে, তাইবঙ মপুনা ঐগী লাইবক্তা তম্লম্লবনি খনবনদি কান্নরোই। ঐ শেল য়াম্না পায়রবসু ঐঙোন্দগী হেন্না শেল পায়বা ময়াম অমা লৈরমগনি। ঐ লায়ররে হায়রবসু ঐঙোন্দগী হেন্না লায়রবা অদুম কোঙ্গাই অমা লৈ। মথৌ তারিবদি ঐগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদগী ফগৎপদুনি।

মথংগী আর্টিকলদা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা ফীভমদগী খরদং করম্না ফগৎকদগে হায়বসিগী মতাংদা ইজরক্কে। অদোম্না পাবদা খরদং কান্নৈ হায়না খনবীরবদি মরুপ মপাংশিংদা স্যের তৌবীয়ু। ময়াম্বু অমুক হন্না খুরুমজরি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## কনাগী মরালনো?

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা কোলেজগী ওজাশিংদা সভেন্থ য়ু জি সী পে এন্দ রেগুলেসন্স ২০১৮ পীননবা ষ্টেট কেবিনেটনা হৌখিবা কুমজা ২০২০গী ওগষ্ট ৬তা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রবসু ঙসি ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোক্তবদগী সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক ফেব্রুৱারী ২২দগী হৌখ্রে।

নাকল অমরোমদনা দি এম কোলেজগী মহৈরোয়শিংনা লাইরিক তম্বা ফংহল্লু হায়দুনা খোল্লাউ লাউরি। ঈহৌ অসিবু নমথনবা ষ্টেট ফোর্সনা টিয়র গ্যাস, মোব বোম কাপ্পুনা মহৈরোয়শিংবু শোকহনবা, অকি অখং নংহনবা থোক্লে। কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মতম শাংনা লাইরিক তমহনবা ফংলুদ্রবা মতুং ক্লাস নাইন্দগী কোলেজগী থাক ফাওবা ফেব্রুৱারী ২০২১দগী লাইরিক তমহল্লকপগী নুংঙাইবা চৈরক অসিদা কোলেজদা ওজাশিংগী সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক্লা লাইরিক তম্বা ফংদ্রিবসি কনাগী মরালনো? অদুতা নত্তনা প্রাইমারি এন্দ ইলিমেন্টরিগী থাক্তা মহৈ তম্বা ফংদ্রিবা মহৈরোয়শিংগী মরায়বক্লা কদোমদা? ৱাফম অসি পাল্লিবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙহন্নীংই। প্রাইমারি, ইলিমেন্টরি মহৈরোয়শিংসু লাইরিক তম্বা ফংহনবীয়ু হায়বগী ঈহৌ কয়া লাক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লোন্না ইলিমেন্টরিগী থাক্তা লাইরিক লাইশু তম্বা থোক্লবদি দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা এস পি পুলিস, মরী লৈনবা ওথোরিটি, পুলিস ষ্টেসন্দা চৈরাক পীনবা হুকুম ফেব্রুৱারী ২০, ২০২১দা থোকখ্রে।

লাইরিক তম্বা ফংহনবীয়ু হায়বা পেরেন্টসকী সাইদতগী স্কুল ওথোরিটিদা হায়জবা কয়াসু লৈরি। কোভিদ-১৯গী রিকোভরি রেটসু ৱাংখৎলক্লে অদুনা ইলিমেন্টরি অমদি প্রাইমারিগী থাক্তা ২০২১গী সেসন লাইরিক তমহনবগী খোঙথাং লৌখৎপীয়ু। প্রাইভেট স্কুলদা ওজা ওইদুনা হিংলিবা কয়া অৱাবগী পোৎলুম কোক্তা পুরি। গভর্ণমেন্ট কোলেজগী থাক্তা লৈরিবা হোষ্টেল এদমিসন তৌবা য়াহনখ্রে। প্রাইভেট স্কুলগী পেরেন্টস কয়াদি মচা-মশু, ইমুং-মনুং, লৈকায় পোৎয়েংগী হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লরে। পোৎ চৈগী মমলদি নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপা, শেন্থোক লম্বীনা লৈখা তারকপা কয়া অসিনা ইমুং-মনুংদা লৈতবগী খৎন-চৈনবা কয়া থোক্লি। কোভিদ-১৯না পীরিবা কাঙলোন অহুম ঙসি ঙাক্লিব্রা? লুহোংবা, শঙ্গাবা, হরাও কুম্মৈ, কৈথেল/বজার, চাক্লৌবা কয়াদা তিল্লিবা মীয়াম অঙকপা ফংই। লৈঙাক্কী কাঙলোন ইন্দবা কয়া ঙসি করি এক্সন লৌখৎখ্রে? কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন কাপ্পদা মীশি-মীনা য়াওরকপা অসিনা ঙসিগী মীরোলনা ভেক্সিন অসি কাপ্পগী চাংসু হন্থরক্কনি খল্লি। কোভিদ-১৯না এদ্যুকেসন, ৱার্ক, কলচরদা অথিংবা কয়া লৈরবদি মণিপুর মীয়ামগী খুদোংচাদবা কয়া থোক্লক্কনি। স্কুল, কোলেজ লাইরিক-লাইশু তম্বা ফংদবা হায়বসি মগুন লৈবা শিক্ষা ফংবা ঙমলোই। লায়রবা কয়াগী মচা-মশুদি লন্নাই ওইনা ট্যুসন তৌবা, কোচিং তৌবা ঙম্লোই। মরম অসিনা লৈঙাক্লা করি খোঙথাং লৌখৎকদগে হায়বসি স্কোলর কয়াগা তানবা চুম্লে।

মণিপুরদা লৈরিবা প্রাইভেট, গভর্ণমেন্ট স্কুল পেরেন্টস, স্কুল ওথোরিটি, টিচর পূম্নমক অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা এদ্যুকেসন সেক্টর অসি চাওখৎহনবগী মতম ওইরে। রোটেসন নাইনা ক্লাসশিং স্কুল ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী মতুংইন্না প্রাইমারি, ইলিমেন্টরি স্কুলসু থোঙ হাংহনবনা চুমগদ্রা খঞ্জে। ইলিমেন্টরি, প্রাইমারিগী মহৈরোয়শিংসু লাইরিক তম্বা ফংহনবীয়ু হায়বগী ঈহৌ লাক্কনি হায়বসি অচুম্বা ওইগনি খল্লি। লাইরিক তম্বা ফংদবা হায়বসি কনাগী মরালনো হায়বসি ঐখোয় থিদোকফম থোক্লে।

*অদোমগী - পুয়াম অচৌ খুমনচা*
*শিখোং বজার*

## ষ্টেটকী পাউ

# এম য়ু সীগী ষ্টুদেন্টস ফোরমনা ৱাফম কয়া থম্লক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর (এম য়ু সী) দা হৌজিক লৈরিবা এদমিসনগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা এম য়ু সীগী ষ্টুদেন্টস ফোরমনা মীয়াম অমদি লৈঙাক্কী মফমদা ৱাফম কয়া থম্লক্লি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর ষ্টুদেন্টস ফোরম (এম য়ু সী এস এফ) গী প্রসিদেন্ট থাংজম বিরেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অহুম ফাজিল্লক্লগা এম য়ু সীগী ঈরাং অসি কনা কনানা করি মরমগীদমক থোকহল্লকখিবনো। দিপ্লোমা, বিশরদনচিংবা সর্টিফিকেটশিং অসি পুথোক্লিবা জে এন এম দি এ, গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজ অমসুং শ্রীশ্রী বাল মুকুন্দ দেব গভর্ণমেন্ট ম্যুজিক কোলেজ অহুমসি গুরু শিক্ষ পরম পরানি হায়নসু মখোয় মশানা হায়জৈ। অদু ওইরবদি গুরু শিক্ষ পরম পরা হায়বসি করিনো। গুরু শিক্ষ পরম পরানা দিপ্লোমা, পোষ্ট দিপ্লোমা, বিশরদ, অচার্য্য অসিনচিংবা কোর্স কয়াগী সার্টিফিকেটশিং মতৌ করম্না পীরম্বনো। মখোয়গী সার্টিফিকেট পীরিবা অমদি ক্লাস চথুরিবা, তম্বীরিবা মওং অসি গুরু শিক্ষ পরম পরা কৌগদ্রা নৎত্রগা ৱেষ্টর্ন এদ্যুকেসনগী মওংনি হায়গদ্রা। হায়রিবা ইন্সটিট্যুট অহুম অসিনা গুরু শিক্ষ পরম পরাদা চথুবা তারবদি মতৌ করম্না মখোয়গী সার্টিফিকেট অদু বি এগী থাক্তা মান্নৈ হায়রিবনো।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মখোয়না অমদি লৈবাক্কী অখণ্ড অহৈনি হায়না লৈবা মীওই খরনা নাকল নামদা তোংদুনা মীচং চঙবগী মওংদা হায়রিবা ইন্সটিট্যুট অসিগী সার্টিফিকেট পায়রবা মীওইশিং অমদি মহাক মশা অদু বি এ নৎত্রগা মসিগা মান্নবা থাক্কী ক্বালিফিকেসন পায়বা ওইরবদি দিপ্লোমা, পোষ্ট দিপ্লোমা নৎত্রগা বিশরট নৎত্রগা আচার্য্যগী সার্টিফিকেট অসিগী মরক্তগী অমগা পুনশিল্লগা হায়বদি বি এ প্লস সর্টিফিকেট অমা পায়বা ওইরবদি এম এ তমহনগদবনি। মসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা চৎনৈ হায়না মরৈ তৌরি। নাকল অমদনা মণিপুরগী জগোয়বু বি এ দান্স অমদি এম এ দান্স অসি মতম কয়াদগী পুথোক্তুনা লাক্লিবা বিশ ভারতি শান্তিনিকেটন্দা হায়রিবা ইন্সটিট্যুট জে এন এম দি এ, মণিপুর গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজগী সর্টিফিকেট প্লস বি এ অনী অসি পুল্লগা এম এল এদমিসন তৌবা য়ারিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমদি এম এ এদমিসন য়াদ্রিবা শান্তিনিকেটন অনীসি কনানা চুল্লিবনো। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা বি এ দান্স হাপত্রিঙৈদা এম এ দান্স হান্না হাংদোকখি। বি এ দান্স লৈত্রিঙৈদা এম এ দান্স হাংদোকখ্রবনিনা কদাইদগী বি এ দান্সনা এম এ দান্স তমগদৌরিবনো। মসিনা মরম ওইরগা ইন্সটিট্যুট ওইনা লৈরবা দান্স কোলেজ খুদম ওইনা গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজ অমদি জে এন এম দি এগী সর্টিফিকেট অমদি বি এ দিগ্রি অমা পায়রবদি এম এ দান্স তম্বা য়াহনখিদুনা ঙসিদি অচৌবা চয়েৎনবা অমা থোরক্লে। অদুবু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা বি এ দান্স অমদি বি এ ম্যুজিক হাংবা চহী কয়া শুখ্রে। লোয়ননা শান্তিনিকেটন্দা বি এ দান্স হাংদুনা মহৈরোয় কয়া পুথোকখ্রবগে। মখোয়শিং অসিনা পুথোকখ্রবা বি এ দান্স অমদি বি এ ম্যুজিকশিং অদুগা হায়রিবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবা সঙ্গিৎ নাটক একাদেমিগী শেন্থং মখাদা চলাইরিবা চহী ৬০ হেল্লবা জে এন এম দি এনা য়ুনিভর্সিটি অমত্তদা এফিলিএট তৌদনা গুরু শিক্ষ পরম পরানি হায়না পুথোক্লিবা দিপ্লোমা নৎত্রগা পোষ্ট দিপ্লোমা অসিগা মতৌ করম্না বি এ ইক্বিবিলেন্ট ওইগদৌরিবনো।

অসুক কুইবা মতম অসি য়ুনিভর্সিটি অমত্তদা এফিলিএট তৌদনা লৈরগা এম য়ু সীদা এম এ দান্স তমগে হায়না ঈরাং শাগৎতুনা ৱাথোক ওইহল্লিবনো। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লিংখৎপা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা চলাইরিবা গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজ, দান্স কোলেজ অমদি ইম্ফাল আর্ট কোলেজ অহুমসিগী মনুংদা ইম্ফাল আর্ট কোলেজদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা কুমজা ১৯৮০দা এফিলিএট তৌদুনা শকখঙলবা কোলেজ অমা ওইরি। অদুগা গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজ অমদি শ্রীশ্রী মুকুন্দ দেব গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজ অসিনা ঙসি ফাওবা য়ুনিভর্সিটি অমত্তদা এফিলিএট তৌদনা থম্লগা মখোয়গী সার্টিফিকেট পায়রগা এম এ তৌহল্লু হায়দুনা মরৈ তৌরিবা অসি চুম্লিব্রা।

চহী ৪০/৫০ হেল্লবা ফাওবদা য়ুনিভর্সিটি অমত্তদা এফিলিএট তৌদনা থম্লিবা অসি কনাননো অমদি করিগীদমকনো। মসিগী অশোয়বা অসিনা চুম্না চৎচরিবা এম য়ু সীগী একাদেমিক এটমোসফ্যেরদা অকায়বা পীবীদুনা করিগী লৈবাক ঈরাং থোকহল্লিবনো। পূম্নমক থোক্লিবসি মসিবু চলাইরিবা এদমিনিষ্ট্রেসনগী অচৌবা অশোয়বা অদু করিগীদমক লোৎশিন্দুনা থমগদৌরি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর লিংখৎপীদুনা বি এগী মান্নবা থাক্তা কলচরগী ওইবা বি এ দিগ্রি কয়া পুথোকখ্রবা মতুং এম এগী থাক্তা পুথোক্লবা হোৎনরকপা অসিদা পুল্লপ মাঙমিন্নসি হায়বগী মতৌগুম ঈরাং শাগৎতুনা য়েৎতুনা লৈরগা এম এ ক্লাস হৌহন্দনা লৈরিবা থৌওং অসিবু মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা কলচর নুংশিবগী খুদমলা।

কনাগুম্বা ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনশিংনা নাকল নামত্তগী ৱাফম লৌখৎলগা লৈরিবা প্রোব্লেম অসি লোইশিনগনি হায়বগী ৱাখল্লোন অসিদি লাইবক য়াম্না থিবনি। মরম অসিনা মণিপুর কলচরবু নুংশিবীবশিংনা লৈরিবা প্রোব্লেম অসি মুন্না নৈনবীদুনা চথুবা য়াদনা লৈরিবা এম য়ু সীগী এম এ ক্লাস হৌহনবদা মতেং পাংবীয়ু। ক্লাস হৌহন্দনা অসুম লৈরগা ষ্টুদেন্টশিংগী চহী মাঙবগী ফীভম লাক্লবদি এম য়ু সীগী মহৈরোয়শিংনা থাংলকপা খোঙথাংদা অফ-ফত্তগী থৌদাং কনানা পুগদৌরি। পূম্নমকসি থোক্ত্রিঙৈদা এম য়ু সীগী একাদেমিক কাউন্সিলনা লেপখ্রবা ৱারেপ অদুদা য়াওরিবা কাঙলোনশিংদা পীরিবা চৎন-কাঙলোন অদুবু ইনবীদুনা থোক্লিবা প্রোব্লেম অসি লোইশিনবনা খ্বাইদগী অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। মসিনা তুংদা মণিপুরগী কলচরবু কন্ননবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীনি হায়জনীংই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR

Ref :- Mut. Case No. 158/AS&SO/TBL, dt: 12-02-2021

Khundongbam Bumeshwor Singh S/o (L) Ibochou Singh of Khangabok Part-III Maisnam Leikai. ...Applicant.

-Vs-

(Late) Pattadar Khundongbam Loidangyaima Devi W/o (L) Ibochou Singh of Khangabok Maisnam Leikai. ...Opp.

[illegible] / NOTICE

Dt. 23/02/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩- খাঙবোক পাট্টা নং ৪৮৪/অং (অরিবা), পাট্টা নং ২৭৮/৬৫২৭ (অনৌবা), দাগ নং ১১৬৪/১৮৫২, এরিয়া ০.১৭২৪ হেক্তর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পাল্লিবী কো-পাট্টাদার খুন্দোংবম লোইদাংয়াইমা দেবী মৃতু ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারীনিগী মমিং কল্লগা মৃ: পাট্টাদারীনিগী মচানুপা খুন্দোংবম বুমেশ্বর সিংহগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়দুনা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎলবা য়াগনি। নত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- M. Ningthembi Singh
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/9053/24

[illegible]

GOVERNMENT OF MANIPUR
PUBLIC WORKS DEPARTMENT
NIT/AC/1-1/2020/4
IMPHAL WEST DIVISION,PWD, MANIPUR
Imphal, the 22nd Feb., 2021

The Executive Engineer, Imphal West Division, PWD, Manipur on behalf of the Governor of Manipur invites item rate tender through manual tender from approved and eligible register contractor PWD, Manipur for 1 (One) No. Plan Works (Road work) Rs. 69,16,592/- only of Imphal West District, Manipur.

The procurement officer is Executive Engineer, Imphal West Division, PWD, Manipur. The tender details and documents shall be available from 11th & 12th March, 2021 at the office of the Executive Engineer, Imphal West Division, PWD, Manipur, Khoyathong.

Bid submission date - 15.3.2021 (at 11.00 am to 4.00 pm)
Date of opening of Bid- 16.3.2021 (at 11.00 am)
Venue- Office of the Executive Engineer,
Imphal West Division, PWD, Manipur.

Sd/- Executive Engineer
Imphal West Division, PWD, Manipur

HL-B/6811/24

IN THE COURT OF SUB - DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG, MANIPUR

Ref :- Mut. Case No.217/SDC/Kumbi/2021

1) Loitongbam Chandrakumar Singh S/o (L) Joykumar Singh of Kwakeithel Thounaojam Leikai.
2) Loitongbam Biren Singh S/o (L) Joykumar Singh of Ningombam Awang Leikai.

-Vs-

Loitongbam Joykumar Singh S/o (L) Gulap Singh of Wangoo Terakhong.

[illegible] / NOTICE

Kumbi, the 23rd Feb, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৬১- ৱাঙুদা লৈবা পাট্টা নং ৬২৪, ৪৬৬ (অরিবা) অমসুং ১৬৬/২০৯৫ (অনৌবা), সী এস দাগকী নং ২০৯৭/২৫৬১, এরিয়া ০.৬২দগী এরিয়া ০.২৪ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মীং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌজরোই।

Sd/- Sub-Deputy Collector,Kumbi

HL-P/9049/24

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

[illegible] / NOTICE FOR OBJECTION

Imphal, the 22nd February, 2021

No. Prop/SR/IW/2021: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "Marina Embroidery & Tailoring Institute" on 22/02/2021 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "Imphal Municipality".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complaint/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- I. Rajen
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/9040/24

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।